হকশেল অমদি পুন্সি মরেল

Imphal, Friday, May 4, 2018

# এডিটোরিয়েল

## ক্লাস টুয়েল্বকী ইকজাম হায়দোরকপদা

*ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী বোর্দ নৎত্রগা কাউন্সিলশিংনা লৌবা পরিক্ষাশিংদা মহৈরোইশিং পাস তৌবগী চাং অসি হৌখিবা চহি খর অসিদা য়াম্না চাউনা হন্থরকপগী খূদম অমা ফংবা ঙমখি। উত্তর প্রদেশতা ষ্টেট অদুগী ষ্টেট বোর্দকী একজামিনেসনদা কেন্দিদেটশিং পাস তৌবগী চাং অসি য়াম্না চাউনা চহিসিগী ওইনা হন্থখি। অমরোমদনা ষ্টেট বোর্দ নৎত্রগা কাউন্সিলনা লৌবা পরিক্ষাশিং অসিনা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন নৎত্রগা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেনিয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন্না লৌবা চপ মান্নবা মতম অমদা পাংথোকপা পরিক্ষাশিংদা লৌখিবা একজামিনেসনশিং অদুগী ফল লাউথোকপদা মণিপুরনা হন্দক য়াম্না মাংজৌননা লাউথোকপা ঙম্বা অসি অনৌবা লৈঙাক অসিগী অনৌবা এদুকেসন মিনিষ্টরগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। মসিগী মথক্তা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা অদুগী ফলসু অথুবা মতমদা লাউথোকপগী মথৌ অমদি তারি। মসি বোর্দকী নৎত্রগা কাউন্সিলগী মথৌ পাংথোক্লিবা মীওইশিংগী ইফিসিয়েন্সি অদুগী মখা পোনবা ঙাক্তনি। হন্দক কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন, মণিপুর (কোসেম) না লৌখিবা ক্লাস টুয়েল্ব হায়বদি ঐচ এস এস সি (টুয়েল্ব)ক্লাসকী পরিক্ষাদা পাস তৌবগী চাং অসি মমাং চহিদগী চাদা অনিরোমগী চাংদা হন্থখি। মসিসু গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগী লাইরিক মতম্বী অমদি পাস তৌবগী চাং অদুদা য়েংবা তারগদি গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী লাইরিক মতম্বী অদুনা শোত্থবগী অচৌবা খূদম অমা ওইগনি। মণিপুর লৈঙাক্লা স্কুল এদুকেসন সিষ্টেম অসি ফগৎহন্নবগীদমক থাদরিবা শেনফম অদুগা লৈঙাকসিগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংগী ওইনা কম্পিটিটিব ইকজামিনেসনশিং অসিদা পাস তৌরক্লিবগী চাংগা খেন্নরকপা অসি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা অমদি মরুওইনা এদুকেসন মিনিষ্টরনা মহাক্কী মখাদা লৈবা ইকজিক্যুটিবশিংগা য়াম্না মুন্না তান্নরগা শেঙদোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। মসিগী মরমদি ষ্টেটসিগী ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষা অসি মহৈরোই ২৮,০২০ না শরুক য়াখিবদা লৈঙাকসিগী মখাদা লৈরিবা স্কুল অমদি কলেজশিংগী মহৈরোইশিংনা পাস তৌবগী চাং অসি চাদা কাহেন্না হন্থবা চাংদা পাস তৌখি হায়বসি রিজল্ট অসিনা উৎলবনিনা লৈঙাকসিগী মখাদা লৈবা স্কুলশিং অদুগী মহৈ–মশিং তম্বীবগী চাং অদু মরীলৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়াম্না মুন্না মোনিটর তৌবগী মথৌ অমা তারে হায়বসি খঙফম থোকই।*

*এদুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা ৱাফমগী ওইনা লৌবা তারগদি হন্দক পাংথোকখিবা অমদি ঙসি লাউথোকখিবা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাগী ফল অসিদা মহৈরোইশিং পাস তৌবগী চাং চাদা হন্থরগসু মহৈ–মশিং তম্বদা থৱাই য়াউবা মহৈরোইশিংনা চাউনা মার্ক ফংখিবা অমদি মীয়ামদগী মীথোই –মীহেনবগী চাং অদু য়ৌনা খঙ হৈনা পাস তৌরকপা অসিবুদি থাগৎফম থোকই হায়বসি য়াম্না চুম্মী। অদুবু মসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা পেছোক্লিংঙাই ওইবা থৌশিল অমদি ওইদ্রি হায়বসি খঙহন্নিংই। মহৌশাগুম্না বোসেম নৎত্রগা কোসেমনা লৌবা পারিক্ষাশিংদা বোর্দ নৎত্রগা কাউন্সিল অসিগী মখাদা এফিলিয়েট তৌবা প্রাইভেট স্কুলশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা অদুমক টোপ রেঙ্কশিংদা পাস তৌরকপা হায়বসি তলব চাউনা পীরিবা এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ওজাশিং অদুগী মহৈ তম্বীবগী মওং অদু পেন্নিংঙাই ওইদে হায়বসি উৎলবনি। হৌজিকসু অশাংবা মতম অমা লৈরিঙৈসিদা লৈঙাকসিনা এদুকেসন পোলিসিগী মতাংদা লৌগদবা অমসুং পাংথোক্কদবা থৌরমশিং অদুগী মতাংদা সেদ্যুল অমা ওইনা মীয়াম খঙহন্নবা নোটিশ পীবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে হায়বা উৎপনি। মখা তানা করিগুম্বা সিষ্টেম অমসিগী মখাদা মথৌ তৌরিবা ওফিসিয়েলশিং অমদি ওজাশিং অসি য়াম্না তোইনা মতমগা চান্নবা মওংগী ট্রেনিংশিং পীবা তারগদি মহৈরোইশিং পাস তৌবগী চাং অসিসু তপ্না–তপ্না হেনগৎহনবা য়াবনি। পূম্নমকসি ওইরবসু লৈঙাক্কী মরীলৈনবা দিপার্টমেন্টনা চহি চুপ্পা থাদখিবা শেনফম কয়াদুগা চান্ননা মহৈরোইশিংগী প্রদ্রক্সন অমা মতিক চানা পুথোক্ত্রে হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবগা লোয়ননা মশা–মশাগী মথৌ তৌজরিবা ওজাশিং অমসুং সরকারগী মরী লৈনবশিংনা চেকশিনফম থোকই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### স্কুলগী এরিয়াদা ভেন্দর লৈহনবা

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

মহৈ তম্ফম শঙগী অকোয়বশিং একাডেমিক জোর্ন হায়দুনা মহৈরোইশিংদা অপনবা পিদনবা সরকারনা হোৎনরিবনি। মহৈ তম্ফম শঙশিং সরকারগীবু ওইরবদি মওং মরিন তাদবগী থৌওং হেক্তা উবা ফংই। লন্নাই মহৈ তম্ফমশিং লৈরিবশিং কয়াগী ফিবমশিং পিক্লবসু চাওরবসু য়েংবদা স্কুলদা স্কুল হেক্তা মন্নো মওং তানা উবা ফংই। সরকারগী ওইবা থবকশিংদা য়েংশিনবীবা ৱাৎপগী হৌনবিশিং হেক্তা উবা ফংই। ভাইরোদান স্কুল অসি ঙসি ঙরাংদগী লৈরকখিবা নত্তে হায়বসি ভেন্দর ফমইবশিংনা খংদ্রবসু মণিপুরগী অহল লমনশিং কয়ানা খংইবনি। মতম অদুগী য়েলহৌমীশিং লৈরমইবশিং মরক্তা মপান লমগী মীওইশিংগী অহানবা স্কুল অমা ওইদুনা লাকখিবনি। স্কুল অসিগী অকুপ্পা ৱারীশিং সরকার মীহুৎ ওইরিবশিংনা থিগৎলসনু ইবদি ইজররোই মরমদি মখোয়সু খংনিংলবদি থিগনি হংগনি থাজে। মতাংসিদা মীয়ান্না ফোংদোক্নরিবদি মহৈরোইশিংগী পূন্সিগা ভেন্দর ফমইবশিংগী পূন্সিগা লূম্বা কনানা হেনবগে হায়বসিগী পাওখুম অসিনি। মহৈরোইশিংগী য়াইফনবা লৌখৎলকপা খোংথাংশিংদা সরকারনা ওনশিন্দুনা ফা–পূনবা তৌরিবসি অচুম্বা খোংথাং ওইরোই হায়নিংই। মফমসি এড়ুকেসনগী এরিয়া ওইবদা নত্তনা দ্রেন মথক্তা খুমজিল্লগা হৈ–রা ভেন্দর হেক্তা ওইশিল্লিবনি। মসিনসু লম্বী চখোক চৎশিনদসু য়াম্ন্র্যপনবে ওইরিবনি। স্কুল অসিগী ওজা অমদি মহৈরোয়শিংনসু এরিয়াসিদগী ভেন্দর তৌরিবশিং লৌথোকপিনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিন্নবগী ৱাফমশিং মমাংদা খংহনখিবা লৈখ্রে। সরকারগী মহুদ মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবশিংদসু জেসি আই এল পি এস কী মাইকৈদগীসু ভেন্দরশিং অসিবু নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা লৌথোক্লবা খংহনবসু লৈখ্রে। অমরোমদনা বাজার অকোয়বদা ষ্ট্রিট ভেন্দর কয়া অমনা নোংমগী হিংজনবা ইনশাং–নাপি, মনা–মশিং য়োনজরিবা লমদমসিগী মীওইশিং পূলিসনা শা–ষণ তানবগুম মখোয়না য়োল্লম্বা পোৎ– চৈ চখায়দুনা মাং–তাকহল্লি। ঙসি তৌরিবা থৌওংশিং কয়াসি য়েংলুরগদি ঙসিগী লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মহৈরোইশিং অমদি প্রজাশিংবু নুংশিবিরি হায়বসিদি চেদা য়েকইবা ময়েকশিংতনা হায়হনবনি। থবক্না শাক্কিনি ৱার্ক মোর টোল্ক লেস.. হায়রিবসিমক চিন্ফা পাথোকপখক তৌদুনা ঙসিগী অঙম্বশিংনা চত্থদুনা লাক্লি। তোকপনা কৈ পোকপা হৌনদে হায়বগুমদনা রাজনিতি তৌবশিংনা রাজনিতিগী প্রজা পেল্হনবা ঙম্বা শৈরেংশিং মমাংদা তৌখিবশিংগুম্না চত্থদুনা লৈরে। অমরোমদা ঙরাং থুগাইখিবশিং অমুক খুদক্তা শেমজিন শাজিনহনবা হাংয়বসিমক মীমাংদা মচা য়োনবগা চপ মান্নরে। থৌওং অসিমক্লদি ঙসি লমদমসিদা চংশিল্লক্তুনা খুন্দাররিবা মীতোপশিং শকমান্নবশিংনদি প্রজাশিংবু করিদা উশিৎলগদগে? মসি লমদমসিগী সরকার লৈরিবশিংগী থাদোকপা য়াদ্রবা পোকপদগী লোইনরকপদৌনা উরিবসিনি। তুংগী করি ওইরক্কনি খনবীদ্রবা লৈঙাক কয়ানা ঙসিদি লমদমসি মীগী ওইহনখিগদৌরিবসিনি। লমদমসিগী হৌরক ৱারিশং থিংথিনা মুন্না খংদবদৌনা ঙসিগী লৈঙাকপশিংনা মীয়ামদা ফোংদোকইবসিমক লাইবক থিবনি। তুংগী য়াইফবা পুরকপা য়াননবা ফাজিনখিবা মহৈরোইশিং কন্দিসন অমত্তা লৈহন্দনা খুদক্তা থাদোকখিনবা হোৎনবগা লোইননা ষ্ট্রেট ভেন্দরশিং লৌথোকহন্দুনা মফম অতোপ্পদা লৈহনখিবনা চুমগনি। ইচা শোক্লক্লবা ফাওবা তুমিন্না লৈরিবা মপা মমা ওইবশিংনা ফোংদোক্লবা মতমদো ঙাইরি। ইরম নালা লৈহল্লগুমসি ষ্ট্রিট ভেন্দর ময়াম শেমগৎপনা লমদমসিগীতা নত্তনা কাংলূপ খুদিংগী মীতোপ লাইরবশিং ফাওবা শেন্মিৎলোন ফগৎহল্লগনি থাজবা য়ারে।

অদোমগী
কে ইমো মৈতৈ
ইম্ফাল

# মীওইবা জাতিদা অকনবা শিঙনবা ‘এইডস’

*ডা. খোর্শেড এম. প্রব্রি*

হৌখিবা চহি ৫০ মুক্তি, হকশেল বিজ্ঞানগী ইতিহাস ফাক্কত্তুনা য়েংলুরবদি, হকশেল বৈজ্ঞানিকশিংনা চাওথোকচবা পোক্লা পেঙ্গবা–মালেম পূম্বগী মীওইবা জাতিনা মীপাইনরম্বা “স্মোল পোক্স” কুম্বা লায়নাবু মরু ফংনা মুৎথৎপা ঙম্নখ্রবা থৌদৌশিংগী মরক্তা, খল্লু–খল্লুরগা হেন্নদুম মীপাইবা পোক্লবা “এইডস” হায়বা তমথীরবা লায়না অসিগী শিঙনবসু লৈরক্লি।

অহানবা ওইনা খৃঃ ১৯৮১ দা লাইওং খঙবা ঙম্লকখিবা লায়না “এইডস” হায়বসিনা ঙসিদি, মালেমগী মফম খুদিংমক্তা, নুংশিহৈত্রবা মখূৎ তিংথোরক্তুনা, মীওই লিশিং লাক্ষ কয়াগী পুন্সিবু লম্মখাংদা কেমহন্নবা তেমশিঙনরক্লি। মসিমক্না মরম ওইদুনা, মালেম পূম্বগী চাওখৎ খোঙথাংদা অচৌবা খুরৌ হায়বদু ওইররে।

এইডস হায়বা ৱাহৈ অসিদা য়াওরিবা ময়েকশিং– এঃ, আইঃ, ডিঃ, এসঃ, অসিনা পুরিবসি– “এক্কায়র্ড ইম্মুন ডিফিসীএন্সি সিন্দ্রোম” হায়বনি। মসিনা পিরিবা ৱাহম্বোক্লা – হকচাংদা মহৌশানা য়াওজবা, লায়না তিলনা ঙাকথোকচবা ঙম্বগী শক্তিশিংবু মাংলকপগী মওং হায়বনি। মসিগী ৱাহম্বোক্তা অরাইবা খুদম ওইনা পল্লবদা – ঐখোয়না ইশাগী অনাবা অমবু ফহন্নবগীদমক্তা হিদাক–লাংথক চাই–থকই, অদুগা অনাবদু ফরকই। অসুন্না ওইরকপগী মওংনা, ঐখোয়না চারি–থক্লিবা হিদাক–লাংথকশিংদুগী ময়ায়না ঈগী ঈচেলগা তিন্নদুনা, লায়নাদুগী মরম ওইরিবা খুদিংমকপু মাং–তাকহল্লুবননি। মসিগুম্বা মওং অসি এইডসকি লাইথুং পক্লবা অমদদি ওইররোই, চারি–থক্লিবা হিদাকশিংগী মতিক–ময়ায়গী কান্নবা ফংলরোই। হেন্না লাইবা খুদম অমগা অমুক পল্লবদা–করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়গী হকচাংদা খুজি–খুৎনাম্বোক্তা খজিক্তং শোক–পনবা নৎত্রগা অপোম অতং য়াওরকপদা, থোইদোকপা হিদাক–লাংথক তৌরুদ্রবসু মশা মথন্তা অদুম্মক ফজিনজখি, মসি ঐখোয়গী ইশাদা মহৌশানা য়াওজরবা অনাববু ফহনবা ঙম্না ময়ায়শিংননি। অদুবু এইডসকী লাইথুং পক্লবা মীওই অমদদি, হায়রিবা ময়ায়শিং অসি লৈররোই। লাইথুং অসিবু থুংলবা মীওইদুদি মীয়ামদা য়ান্না নাগনবা নিমোনিয়া, ডাইরিয়া, টিবিগুমবা লায়নাশিংখক্তা নত্তনা চুন্নগী অরুম লাইহৌগুম্বদগী ফাত্তবা, হিদাক–লাংথক চাদুনসু ফগৎপা ঙমদদুনা শোয়দনমক্কি শি। তৌবসু এইড্স পক্লবা মীওইদদি হায়রিবা অরাইবা মখলগী লায়নাশিং অসি মতম অমক্তদা পূন্ন–পূন্নসু তৌগল্লি।

তমথীরবা এইদস হায়বা লায়না অসি, মমাঙঙৈদগী হৌনা লৈরক্লম্লবা লাইওং অমনি হায়রগসু, শুপ্নগী খৃঃ ১৯৮১ দতা অমেরিকাদা ইহান হান্না খঙনরকখি। মতমদুদদি লাইথুং অসিগী লাইওং ওইনা ১. প্রোটোজোন পরাসাইট (শন্না–শা–যন্দা পকপা মহিক) মখল অমনা হৌহল্লকপা মহৌশাগা ইমান–মান্নদবা মওংগী নিমোনিয়া অমদি, ২. কাপোসি’জ সারকোমা হায়না খঙনবা মরুওইনা উনশাদা থুংগনবা কেন্সর মখল অমা (কেন্সর মখল অসিদি এইডসপু খঙনদ্রিঙৈগী মমাঙদদি চহি ৬০ সুদ্রিবা মীওইগী মখাদদি থুংনখিবা পাক থেংননখিদবা লাইওংনি), হায়রিবা লায়না মখল অনী অসিগী অমদা মপূং ওইনা নারকপা ওইনা তৌরম্মি। লায়নাশিং অসি, অতোপ্পা ইচম–চম্বা মখলগী লায়নাশিংগা লোয়ননা, মশা–মউ খিংনা ফরম্বা নহা ওইরিবা নুপাশিংদা নারকপা থেংনরকখি মদুদা অমুক খঙনরকখিবনা, নারক্লিবা নুপাশিং অদু মীয়ামগা মান্নদবা লিচৎ অমগা শাগোন্নবা মীওই ঙাক্তা ওইরম্মি। মখোয় খুদিংমক হোমোসেকজুএল (শন্না ‘Gays’ হায়রগা খঙনে, ৱাহম্বোক্লা– নুপাগা নুপাগা হকতিন্নবা কাংবু হায়বনি) ঙাক্তা ওইরম্মি। মওং অসি অমেরিকাদা থেংনরকখিবখক্তা নত্তনা অতৈ য়ুরোপ অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী মফমশিংদসু মথং–মথং থেংনরকখি। মরমসিমক্না লাইথুং মখল অসিবু অহানবদা গ্রিড (জিঃ আরঃ আইঃ ডিঃ হায়বদি গে রিলেটেড ইম্মুনো ডিফিসীএন্সি) হায়না খঙনরম্মি। অদুবু ইকান–কান্নদনা দ্রগ শিজিন্নবদা লাইচুরবা খঙনরম্মি। অদুবু ইকান–কান্নদনা দ্রগ শিজিন্নবদা লাইচুরবা (এডিক্ট) মরুওইনা শিংলিদা দ্রগ কাপ্পা মীওইশিংদসু লাইথুং অসি থুংনরম্বা থেংনরকখি। অদুগা লাইথুং অসি থুংলবনি হায়বা খুদিংমক অসুম–অসুম শিরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা মালেম পূম্বদা মীয়ামগী মীৎয়েং লাইথুং অসিদা থন্নবা হৌরকখি। লোয়ননা মসিগী মরমদা অওই–ওইদবা থাজনবী কয়া ৱারীনরকপসু হৌরকখি।

মীওইবা জাতিনা লৈরিবা মালেম অসিগী ইতিহাসতা মতম অমদি মতাং কয়াদা লায়না লাইচৎ থোক্তুনা থেংখাং অমুক্তা মীওই লিশিং কয়াগী থৱাই মাংনবগী থৌদোকশিং থোকখিদবা নত্তে। মদুশিং অদুগা এইডসকি লাইচৎকদি মান্নদে। এইডসকি লাইচৎতদি লাইথুংলবা মীওইশিং অদু শোয়দনমক্কী শিনি হায়ববু খুদক্তা শিদে, তপ্না তপ্না লায়না অমা নৎত্রগা অমদগী শোঞ্জনরক্লগা শি। পাক শিদে, শিবদা মতম চংই, ৱানা শি। শিদনবা হিদাক লৈতে, লায়েং লৈতে। মসিমক্না অহানবদদি এইডসকি লাইথুং থুংলবা মীওইশিংবু এইড্সনা নারবা (এইডস পেসেন্ট) মীওই হায়বিবগী মহুত্তা এইডসনা শিগদৌরবা (এইডস ভিক্টিম) মীওই হায়না খঙনরম্মি।

মরক অসিদা অমুক, করিগুম্বা মখলগী অকান্বালমচৎ শাজৎ চত্তবা ইচম চম্বা মীওই খরদসু এইড্সকি লাইথুং পক্লরকপা থেংনরকখি। হায়রিবা মীওইশিং অসিদি চুন্নগী অনা লায়েং অমা নৎত্রগা অমগীদমক্তা অতোপ্পা মীগী ঈ লৌদুনা কাপখিবা নৎত্রগা ঈদগী শেন্বা হিদাক–লাংথক চারু থক্লুবা, অঙাং–অহল খায়দবা মীওইশিংনি। মসিদগী অমুক্না হেন্না ঙক্ল খঙনরকখিবা এইডসকী অতোপ্পা শক্লোন অমনা– এইডসকী লাইথুং পক্লবা নুপী অমনা পোকপা অঙাংসু, এইড্স পকই হায়বসিনি। অশুম তৌনা মীওই অমদগী অমদা মথং–মথং শন্দোরক্তুনা এইড্সকী লাইথুংনা মালেমগী মফম খুদিং থুংনা মশা–মরেং ফন্দোরক্তুনা ঙসিদি, মীপূম খুদিংমক্কি থমোয়বু মীপাইনহল্লরে। করিগীনো হায়বদা হৌজিক মালেমগী বৈজ্ঞানিকশিংনা, এইডস হায়বসি মসি মসিগুম্বা মচাকশিংনা পোকহন–ওইহল্লক্লম্বা য়াই হায়বমখৈ খঙনবা ঙম্লজরগসু, মসিবু থিংনবা নৎত্রগা লায়েংনবা পাম্বৈদি ঙসি ফাওবদা ফংনদ্রি।

এইডসকী মরমদা মালেম পূম্বগী বৈজ্ঞানিকশিংনা তোঙান– তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লম্দুনা মান্নবা / মান্নদবা মোত কয়াদা ঙসিসু খন্ন– নৈনরি। মসিগী হৌরকফমগী মতাংদফাওবা হৌরকফম মসি–মসিদগীনি হায়বগী তাংদাংবা লেপত্রি। শুপ্নগী য়ানরবা ৱাফম হায়ববু এইডসকী লাইথুং অসি ঐচঃ আইঃ ভিঃ (হ্যুমেন ইম্ম্যুনো ডিফিসেন্সী ভাইরস) হায়না মিংথোল্লবা মহিক (ভাইরস) অমনা থোকহনবনি হায়বসিগা লোয়ননা, কনাগুমবা মীওই অমগী মশাদা মহিক অসি পক্লবরা, পক্ত্রিবরা হায়বদু য়েংবা ঙম্বগী চাংয়েং তৌবা হায়বা অনিসিখক্তনী।

হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা লৈরিবা ৱাফমদি–লাইথুং অসি কদায়দগী হৌরকপনো হায়বদু খঙবদগীদি, মসিনা কদায় কদায়দা চৎলিবগে হায়বসি খঙমিন্নবনা হেন্না মরুওই হায়বসিনি। ৱাফম অসিমক, মচানুপা অমসু এইডসকী লাইথুংনা শিখ্রবা, জাম্বিয়াগী প্রসিডেন্ট কেন্নেঠ কোন্দানা হায়রম্বনি। মসি চুম্লবা ৱাফন্নি। লায়েংনবগী পাম্বৈসু লৈত্রিবা, মরন্নাই মীওই অমা অনীদতা লাইথুংলগা তোকচবা মখলগী লাইথুংসু নত্তবা, নোংম–নোংমগী ঈচাওরকপগী ঈহৌগুম অসুম–অসুম পাকথোক–শন্দোরক্লিবা, এইড্সনা চৎলিবা লম্বেল খুদিংমক মীয়াম পূন্না থিংজিনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে। মসি ঐচঃ আইঃ ভিঃ গী মহিক চেল্লবা মীওই লিশিং কয়া লৈরে হায়বা ফোঙলবা ঐখোয়গী লমদম অসিদদি অমুক্কা হেন্না চেংশিন্না খুৎশম্মিন্নবা চঙলি।

**মীচম ঐখোয়না এইডসকী মরমদা খঙগদবশিংঃ**

এইডসকী মরমদা শুগাইনা ইবা তারবদি য়ামখ্রে। মসিগীদমক্তা চেনা কয়া পাল্লবা থার–থারবা লাইরিক কয়া ফোংনদুনা লৈরবনি। পূন্নমক অদু নৈনদুনা খঙজিল্লুদ্রগসু খঙদ য়াদ্রবা খরদি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙমিন্নবা হায়বসি মতমনা পুরক্লবা তঙাইফদ্রবা অমা ওইরক্কে। মদুদি–করম করম্বা মীওইদা এইড্স পক্কল্লি, করন্না শন্দোরকই। লৌনরকই, মসিবু করন্না থিংগনি, হায়বশিং অসিনি।

**এইডস পক্লক্কনবা মীওইশিংঃ**

১. তোঙান– তোঙানবা নুপাশিংগা হকতিন্নবী নুপীশিং,

২. তোঙান– তোঙানবী নুপীশিংগা হকতিন্নবা নুপাশিং,

৩. মহৌশাগী নীয়ম কায়না নুপাগা–নুপাগা হকতিন্নবা নুপাশিং,

৪. ফিন্নুংগী লায়না (সেকজুএল্লি ট্রান্সমিত্তেড ডিজিজ) অমা নৎত্রগা অমা পক্লা হকতিন্নবা মীওইশিং,

৫. সিরিঞ্জ তিন্ননা শিংলিদা দ্রগ কাপমিন্নবা মীওইশিং অসিনচিংবা।

**শন্দোকপগী মওংঃ**

(ক) ঐচঃ আইঃ ভিঃ (এইডস) পক্লবা নুপাগা হকতিন্নরবী নুপীশিং,

(খ) এইডস পক্লবী অমগা হকতিন্নরবা নুপাশিং (অসিগুম্বা মওং অসিদদি নুপীদগী নুপাদা শন্দোক্লকপা চাংদগীদি নুপানা নুপীদা শন্দোকপা ঙম্বগী চাংনা য়াম্না ৱাংই।)

(গ) এইড্স পক্লবী মমানা পোকপা মচাশিং,

(ঘ) এইডস পক্লবা মীওইদগী লৌবা ঈ কাপ্লবা অনাবশিং,

(ঙ) এইড্স পক্লবা মীওইদগী লৌখিবা ঈদগী শেন্লক শারকখিবা হিদাক–লাংথক চারুবা মীওইশিং অসিনচিংবা।

**করন্না থিংগনিঃ**

১. ইশা–ইশাগী পুন্সিগীদমক অমদি মসিনা হিংলিবা খুন্নাইগীদমক অকাম্বা লমচৎ–শাজৎশিংদি চৎনদবা তাই,

২. শকখঙদবা মীওইগা (এইডস পক্লম্বসু য়াবা) কৈদৌনুংদা হকতিন্নরোইদৌবনি, করিগুম্বদা হকতিন্নবা তারবসু কোন্দোম (রবর) শিজিন্নবীবা/শিজিন্নহনবীবা কাউরোইদবনি,

৩. পুন্সি মাংনিঙাই ওইনা ফত্তে খঙনরবা দ্রগা ঙাক্কি ৱাফম নত্তনা চুন্নগী হিদাক–লাংথক শিংলিদা কাপ্পগী য়েত্তুম, কৈদৌনুংদা পুনবিরোইদৌবনি, (হৌজিক্কি মতমদদি অমুক্তং শিজিন্নরগা লংথোক্কদবা সিরিজ মরাং কায়না ফংলবনিনা, য়েত্তুম ফুত্তোকপা ষ্টেরিএলাইজগী ৱাফম পন্নদবনা হেন্না ফরে),

৪. করিগুম্বা মতমদা লাইবক থীবা থৌদোক/লায়না অমা নৎত্রগা অমনা মরম ওইদুনা, অতোপ্পা মীওই অমগী ঈ লৌদুনা কাপ্পা তারবদি, কাপকদৌরিবা ঈ অদু এইডসকী মহিক চেন্দবা অশেংবা ঈনি হায়বসি খঙদোকপিগদবনি। মসিগী মতাংদদি হোস্পিটালশিং অমদি অতৈ লনাই মফমশিংদা থন্নরিবা ব্লড বেঙ্কশিংদা লৈরিবা মরী লৈনবা ডাক্তরনচিংবা মীওই খুদিংমক্না পুকচেল য়াম্না শেংনবা তাই। হৌজিক্কি মতমদা তঙাইফদনা পাংথোক্তবা য়াদ্রবা চাংয়েংশিং তৌদুনা শেংলে হায়বা খঙদোক্লবা ঈতমক থম্বিনবা অমসুং ফংহন্নবা হোৎনবীবা তাই।

**খঙজিনবা য়াবা অতৈ খরাঃ**

(ক) এইডসকী মহিক (ঐচঃ আইঃ ভিঃ) অসি মরুওইনা হকতিন্নবদা থোক্লককপা মহি (হকতিন্নবদা থোক্লককপা মহি (নুপাগী সিমেন, নুপীগী ভেজিনল ফ্লুইড) শিং অমদি হকচাংগী ঈদা লম্বী ওইরগা মীওই অমদগী অমদা শন্দোকই।

(খ) বৈজ্ঞানিকশিংনা য়াম্না কুপথবা মখলগী চাংয়েং কয়া তৌদুনা য়েংলবা মতুংদা এইড্স পক্লবা মীওইগী মীৎকী পী অমসুং মমা ওইবীশিংগী খোম (ব্রেষ্ট মিল্ক) দসু এইডসকী মহিকশিং অসি চাং য়াম্না হন্থজরগসু য়াওই হায়বসিসু খঙনরে। অদুন্নমক চিন–লৈগী তিন অমসুং মীৎকী পীদগীদি এইড্সকী মহিক লৌনরকপগী মওং কয়া লৈতে। অদুবু মহিক পক্লবী মমাগী খোম থাকপা অঙাংদা লৌরকপা য়াবগী ফিভম য়াম্না লৈ।

(গ) এইড্স হায়বা তমথীরবা লাইথুং অসিগী মরমদা খর–খজিক শাফে (লাইবক ফনা) হায়না লৌব য়ারিবনা মেলেরিয়ামগুম্বা লায়নাগুম কাংনা চিক্লগা মী অমদগী অমদা শন্দোকপা ঙমদে।

(ঙ) এইড্স পক্লবা মীওই অমগা পক্তবা মীওই অমগা চামিন–থকমিন্নবা, ফম্মিন–তুম্মিন্নবা, খোংহাম খূৎহামফম তিন্নবা, ইরু মাইথজমিন্নবা, থবক–ইনখাং শু–নোম্মিন্নবা, কোন্নবা, চুপ্নবনচিংবা থৌদৌ কয়াশিংনা এইডসকী মহিক লৌনরকপগী মরম ওইদে।

(চ) এইডসকী মহিক্ন হকচাংদা চংখ্রবা মতুং চহি ৮ দগীনা ১০ ফাওবদি করিসু ইতৌ– তৌদনা ইকন–কান্না লৈরম্বা য়াই। হায়রিবা ৱাফম অসি নৌরিবা অঙাংশিংদদি শুপ্নগী থা ১৮ দগীনা ২৪ ফাওবদমক লৈরম্বা য়াই।

(ছ) এইড্সকী ওইনা খ্বাইদগী লুরিবা (মীচম ঐখোয়দা) ৱাফমদি, ঐচঃ আইঃ ভিঃ পক্লবা মীওই অমবু, পকখ্রবা মতুং চহি ৮–১০ চংনা পক্লবনি হায়বা খঙবা ঙম্নদবা অসিনি।

নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা পূন্সিনি হায়দুনসু পংশি–শিনবা পূন্সিদি নত্তে, হায়বসিদি চুন্নবা ৱাফন্নি। করি –করিগুম্বা মতম অমসুং মফমদা অনা–লাইচৎ (ইপিদেমিক) থোক্তুনা মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া খাংঙুথক্তা মাংনবদা পূন্নমক্লা মীপাইনরিবনি। অদুগা অমরোমদা ঙসি মালেমগী কাচিন কোয়া–শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা (পান্দেমিক) এইডস হায়বসিনা ঐখোয় মীওইবা জাতিবু মালেমদগী মরুফংনা মাংহখিবা ঙম্লকপগী ফিভম লাক্লে হায়বসিদা মীপাইনরোইদবা কনানো। অদুবু মীপাইনবা খক্তনদি মসিবু কোকহনবা য়ারোইদৌরি। অদুদি করি তৌবা তাই? ঐখোয় খুদিংমক্লা মীওইবা জাতিগীদমক, এইডসকী অরোন–অথুপ শক্লোনশিংবু পূন্না খঙমিন্নদুনা, মদুশিংদুগা শকউনরক্কদবা লম্বী খুদিংমক থিংজিনমীন্নবা তাই।

# এলোপেথি নত্তবা শকখঙলবা অতৈ লায়েং পথাপশিং

*মমাং ইরাইগী মখা...*

ভাতরকী ওইনদি এক্যুপঙ্কচরগী লায়েং অসি এম. বি. বি. এস. ডিগ্রিগা লোয়ননা অনা লায়েং চৎথনরবা অখঙ–অহৈ ডাক্তরশিংনা, এক্যুপঙ্কচরগী তোঙানবা ট্রেনিং তৌরগা ক্বালিফাইদ এক্যুপঙ্কচররিষ্ট অমা ওইনা শকখঙহল্লবা মতুংদা চৎথনৈ। হৌজিক্তি ভারতকী রাজ্যশিংদা লৈরিবা অচৌবা হোস্পিটাল অয়াম্বদা এক্যুপঙ্কচর লায়েংগী খুদোংচাবা ফংনহল্লে।

২. **আয়ুর্বেদঃ** মালেমদা চৎনরিবা অনা লায়েং মখলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা মতমদগী চৎনরক্লবা মখলনি। হৌজিক্তগী চহী ৩৫০০ রোমগী মমাঙদা ভারত্তা ইরম্লবা বেদশিংদা লায়েং অসিগী মরমদা শুগায়না ইরি। রিগ বেদ অমসুং অর্থবা বেদ অনীদা মীওইবগী পুন্সি নুংশাংনবা লায়না তিলনা কোক্লবা অমদি হকচাংদা থাং থাবগী মরমদা অকুপ্পা মরোল কয়া শন্দোক্না তাক্লি। অদুন্নমক আয়ুর্বেদগী লায়েং মখল অসিসু অরিবা মতমগী লায়েং মখল অতৈগুম হকশেল বিজ্ঞান লোমদা হেন্না নকশিনবগী মহুত্তা মীওইবগী পুন্সিরোলদা হেন্না নকশিল্লি। শন্না হায়রবদা “আয়ুর্বেদ” হায়রিবা ৱাহৈ অসিমক্কি ৱাহম্বোকমকসু “পুন্সিগী ৱাখল লৌশিং” হায়বনি।

আয়ুর্বেদগী লায়েং অসিদি জগৎ সংসার অসিদা লৈরিবা ৱাখলগী অমসুং পাঙ্গলগী ওইবা শক্তি খুদিংমক অসি ‘রাতা’, ‘পিট্টা’ অমদি ‘কফা’ হায়না খঙনবা শক্তি অহুম অসিগী মখা পোনবনি হায়বগী থাজনবী অমদা য়ুম্ফম ওইবনি। ‘রাতা’ হায়বা শক্তি অসিনা নুংগী ওইবা ৱাখল খনবা ঙম্বগী থৌওংবু ঙাক শেল্লি, “পিট্টা” না হকচাংগী চিঞ্জাকশিংবু তুমহনবা অমদি মদুনা হকচাংদা পুরকপা অহোঙবা কয়াবু ঙাক শেল্লি, অদুগা “কফা” হায়বসিনা হকচাংগী তোংশাশিংদা থোরকপা মহিগী চাং, হকচাংগী তোংশা শাগৎলকপগী মচাকশিং অমসুং উনশাগী কুয়োন্না ফাজিল্লিবা হকচাংগী চেৎশিনববু ঙাক শেল্লি। অসিগুম্বা শক্তি অহুম অসিদা অশোয়–অঙাম য়াওদ্রবদি হকচাং শেংনা অমসুং ফনা লৈগনি নৎত্রগদি লায়না–তিলনা পোক্লক্কনি হায়বনচিংবশিং অসি আয়ুর্বেদগী ৱাঙউলোন্নি। মরম অদুনা আয়ুর্বেদগী লায়েংদদি অনাবা মীওই অমগী মশাদা য়াওরিবা শক্তি অহুম অসিবু কুপ্না নৈনরগা লায়না পোকহল্লক্লিবা শক্তি অদুগী অৱাৎ–অপা মেম্বোক মেনশিন তৌদুনা ফহন্নবা হোৎনৈ।

আয়ুর্বেদগী লায়েংদা থাং–থাবদগীনা অতৈ মখল–মখা উপাল–ৱাপাল, মনা–মশিংশিংদগী শেম্বা হিদাকশিং অমদি হকচাংগী মচল ওইবা ধাতুনচিংবা মখল–মখা পাম্বৈ কয়া শিজিন্নৈ। হায়রিবা হিদাক লাংথকশিং অসি অনাবা মী–মীদুগী মতুং–ইন্না দরকার লৈবা চাং লেপ্লগা শেম–শাগদবনি। অদুনা আয়ুর্বেদগী হিদাক লাংথক শেম–শাবসি য়াম্না কুপ্ই অমসুং মতম কুইনা চংই। শেম–শারবা হিদাকশিং অদু শিজিন্নবসু তগৎ–তগৎ তেক্লিঙৈগী ফিভমদা ঙাক্তা চাগদবনি নৎত্রগদি হিদাক্কী ময়ায় থুনা মাংই, অমরোমদনা আয়ুর্বেদগী লায়েংদা শিজিন্নগদৌবা ধাতুশিংদি কুইনা লির–লিরগা মগুন হেন্না চেল্লকপা ঙক্লি।

আয়ুর্বেদগী লায়েংদদি হিদাক–লাংথকখক্তনা অনাববু ফহনবা ঙাক নত্তনা চাগদবা অতৈ চিঞ্জাকশিংগী মরমদসু য়াম্না কুপশিল্লি। করি করম্বা ঋতুগী করি থাদা অমদি নোংমগী করম্বা পুংফমদা করি–করি চিঞ্জাক চাগদগে হায়বনচিংবা অকুপ্পা নীয়ম কয়া লৈ। মদুগী মথক্তা মরক–মরক্তা চাং নাইনা চরা হেনবগী থৌওংসু আয়ুর্বেদ লায়েংগী শরুক অমা ওইহল্লি । অসিগুম্বা ময়াম অসিনা আয়ুর্বেদগী লায়েং মখল অসি অতৈ লায়েং মখলশিংগা য়েংনবদা খ্বাইদগী চেকশিন্না অমসুং নীয়ম চুন্না পুথোক্লম্লবনি হায়বমক য়াই। তৌবতবু লায়েং মখল অসিদদি লায়না অমবু ফহনবদগীদি মদু পোক্লক্তনবা হান্ননা ঙাকহৌবা হায়বসিদনা হেন্না মীৎয়েং চিংশিল্লী। অদুনা আয়ুর্বেদগী লায়েংদদি অখঙ–অহৈ (মাইবা–ডাক্তরশিং) অদুগা তত্তনা উনদুনা হকচাংদা করি কায়রক্লিঙাই লৈবগে নৎত্রগা লৈতবগে হায়বদু কুপ্না হেক–হেক য়েংথোকহনবা চংই।

৩. **যোগঃ** যোগ হায়বসি চুংশিন–পুনশিন্নবা হায়বনি। মীওইবগী হকচাং অমসুং ৱাখলনা তঙাই ফদনা ঙসিফাওবদা ঙাক্লরিবা হৌনবী চৎন–লোনচৎশিংগী কয়াৎ পরিং শেল্লম্বা পতঞ্জলি কৌবা ঋষিনা হৌদোক্লম্বনি। মসিদদি জিব আত্মাগী ওইবা (স্পিরিট্যুএল) মীৎয়েং, ইশাগী ৱাখল খনবা ঙম্বগী শক্তি অমসুং হকচাংগী পাঙ্গল, অহুম অসিবু চপ–চাবা মথৌ পাঙথোকহন্নবগী হোৎনবনি। ঋষি পতঞ্জলিনা পুথোক্লম্লীবা যোগগী ৱাফমশিং অসিনা মীওইবগী ৱাখলগী ফিভমশিংবু নীয়ম নাইনা থিজিনবগী অহানবা মওংনি হায়না লৌনৈ। “যোগনা ৱাখল হায়বসিগী ঈথক–ঈপোমশিংগী অনেম–অৱাংশিংবু ঙাক – শেল্লি” হায়বসি ঋষি পতঞ্জলিনা হায়রম্বনি।

যোগগী মওং/মখল মরি লৈ। ১. ‘হথা’ – হকচাংগী শাজেল ওইনবা মখল–মখা শাথেক ফিভম (পোষ্টর) কয়া য়াওবা, ২. ‘রাজা’ – পুক্লিংবু খুদুম চনশিন্নবা হোৎনবা, ৩. ‘জনা’ – পুক্লিং লৌশিং থৌনবগীদমক্তা, অমসুং ৪. ‘কর্মা’ ইশাগী লিচৎ–শাজৎনা তৌথোরক্কদবা থৌওংশিংগা অমদি ঈশ্বরদা চংজ–নোঞ্জবগা মরী লৈনবা ৱাখল্লোনশিংগীদমক্তা তৌগদবা যোগনি। মখল মরি অসিগী মনুংদা মীয়ান্না খ্বাইদগী পান্নবা পাঙথোক্নরিবা যোগদি ‘হথা’ হায়বসিনি। অরীবা মতমগী গুরুশিংনা শা–ঙাশিংগী শাথেক–শাওং কয়াগী ফিভমশিংবু কুপ্না নৈনরবা মতুংদা পুথোক্লম্বা ‘হথা’ যোগগী মওং কয়ানা হকচাং কয়াৎশিংগী থেক্তোক থেকচিন ঙমবগী শক্তিশিংবু হেনগৎহনবতা নত্তনা অৱা–অনা কাউহন্না পোত্থাহনবদা মতেং ফংহল্লি। অসিগুম্বা যোগ মখলশিং অসিদা য়াম্না মরুওইরিবা অমনা মী অমগী শ্বর হোন্দেক–হোঞ্জিন তৌবগী ফিভমশিংনী। মী অমগী পুন্সিগী শক্তি খুদিংমক শ্বর হোনবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরিবনি। অদুনা যোগ তৌদুনা নীয়ম চুন্না শ্বর শান্নবা হায়বসিমক মীওই অমগী হকচাংবু শেংনা লৈহনবদা তঙাইফদবা অমনি। যোগগী মতেংনা–খ্বাঙ নাবা, ঈ ৱাংবা, (হায় ব্লদ প্রেসর), অমদি কুম পুরক্লবা তাং–তাং পোমখৎপগা লোয়ননা চিকপা নাবা (ক্রোনিক র্যুমটোইদ আথ্রাইটিস) অমসুং ঈশিং পুকচৎকী লায়না (ডাইবিটিজ) নচিংবা লায়না মখলশিংবু ঙাকথোকপা অমসুং ফহনবা ঙম্মী। ৱাখলগা মরী লৈনবা লায়না কয়াদসু যোগনা কান্নবা কয়া পিবা ঙম্মী। যোগগী শাজেলশিংগীদমক্তদি অহৌবদা অখঙ–আহৈ ওঝা গুরুশিং অমগা তানরবা মতুংদা ইশা ইথক্তনা ইৱা–ৱাদনা তৌজবা য়াই।

৪. **উনানিঃ** সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাকশিং অমসুং পার্সিয়া লৈবাক্তা হৌদোক্লরকখিবা ‘তিব’ হায়না খঙনবা লায়েং মখলনি। মমাঙঙৈ ভারত্তা লান্দাবা লাকখিবা লান্মীশিংগা লোয়নরকখিবা তিব মাইবশিংনা ভারত্তা, ভারতকী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমগা চান্নবা শেমদোক শাদোক্তুনা ‘উনানি’ হায়না খঙনদুনা চৎনরকখি বনি। হৌখিবা চহি ৫০ রোমদগীদি লায়েং মখল অসিসু শকখঙনরবা অমা ওইদুনা হৌজিক্তি মসিগী মমিং লৈরবা হিদাক শুংফম অমসুং তম্ফম কয়া ভারত্তা পাক–শন্না লৈরে। লায়েং মখল অসিদনা মীওইবগী হকচাং অসি–ঈ, লোক (ফ্লেম Phlemgm) অমসুং মশিংঘা (বাইল) হায়রিবা মচাক অহুম অসিনা ঙাকশেন্দুনা থম্মী। অহুম অসিগী লৈফম থোকপ চাংশিং অদু কায়রক্লবদি লায়না তিলনা পোক্লককই হায়বা ৱাখল্লোন থমই। মখল–মখা লায়না কয়াদা কান্নবা পিবা ঙম্বা উনানিগী হিদাক–লাংথক কয়া হৌজিক্তি মফম অয়াম্বদা ফংনরে।

৫. **হোমিওপেথিঃ** চহি ২০০ গী মমাঙদা জর্মনগী ডাক্তর সামুয়েল নেমান (Samuel Hahnemann) না হৌদোক্লম্বা লায়েং মখলনি। মালেম পূম্বগী ওইনা এলোপেথি লায়েংগী মথংদা খ্বাইদগী থাজবা থন্নরবা লায়েং মখলনি। ভরতখক্তদা সরকারনা শকখঙলবা হোমিওপেথিক কলেজ ১৭৫ লৈরে, অখঙ–অহৈ ডাক্তর লাক্ষ ১.৫ দগী হেন্না লৈরে, লোয়ননা নিংথিনা লিংলবা হিদাক শুংফম ২০ লৈরে। ভারতকী ওইনদি লায়েং মখল অসি তপ্ন–তপ্না মীয়ান্না খ্বাইদগী পান্নবা অমসুং থাজনবা ওইরক্লি। লায়েং মখল অসিগীদমক্তি ভারতকী মফম খুদিংমক্তা খঙ হৈরবা ডাক্তরশিং মরাং কায়না লৈনরে। সর্জিকেল ওপরেসনগী তঙাইফদবা দরকার লৈরবা অনাবখক নত্তনা অনাবা মখল অতৈ পুন্নমক্তি হোমিওপেথিক্কী লায়েংনা শেল চংদনা অমসুং অতৈ অশোয়–অঙাম য়াওদনা ফহনবা ঙম্লে হায়বসি হৌজিক্তি মীয়ান্না থাজনরক্লে।

(কর্টেসিঃ রিদর ডাইজেষ্ট)